# ফুবালাদা গ্রাম লোক পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ফুবালা গ্রাম পঞ্চায়টনা সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগা খুৎশম্নদুনা ইবুধৌ লোক্তাক মরু কম্ম্যুনিটি হোল ফুবালাদা গ্রাম লোককী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ১২-ফুবালা জি পিগী প্রধান রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রাম লোককী থৌরম অদুদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার, জিলা পরিষদ মেম্বর থিনুঙ্গৈগী ওইনাম জয়, ফুবালা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নিংথৌজম রঞ্জিৎ, মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী মেম্বর ডা. শরতচন্দ্র লোংজোম্বনা মথংশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ফুবালাদা ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রাম লোককী থৌরম অদু নৌনা ইবা হৌরক্লিবা অইবশিংবু মীয়ামদা শক তাকপা, মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎতুনা মখোয়না পামজরিবা ইবগী লমদা পুশিন্নবগী খুদোংচাবা পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরমদুগী মনুং চন্না অইবা সলাম তোম্বদসু লেংয়ান ফি খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।